# লৈবাকসিগীদমক ৱারোইশিনশিং ফংনবা ইন্নোভেসনগী শক্তি শীজিন্নসি ঃ প্রসিদেন্ট কোবিন্দ



***গান্ধীনগর, মার্চ ১৫ঃ***

লৈবাক অসিনা ময়োক্নরিবা নুংনাংবশিংগী ৱরোইশিনশিং ফংনবা ইন্নোভেসনগী শক্তি অদু শিজিন্নবগী মথৌতাবা অমা লৈরে হায়না ঙসি ইরাই নুমিৎতা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোবিন্দনা হায়খ্রে।

প্রসিদেন্ট কোবিন্দনা হায়খি, ইন্নোভেসন কলচর অমা পুখৎনবা অমসুং ইন্নোভেসন সোসাইটি অমা ওইরক্নবা থবক –থৌরাংশিং অদু ইন্দিয়ানা পায়খৎকদবনি।

মরুওইবা চাওখৎপগী পান্দমশিং ফঙনবা অমসুং চেকশিন্না য়েঙশিনবীবা লোয়ননা নুঙাইবা খুন্নাই অমা শাগৎনবা ঐখোয়না পান্দম থল্লিবা মরম্না ল্ঠে, এদুকেসন, ফুদ সেক্যুরিটি, ইনরজি, ইনভাইরোন্মেন্টেল প্রোটেক্সন অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটিগুম্বা ময়াম অসিদা লৈরিবা ঐখোয়গী নুংনাংবশিং অদুগী অরোইবা ৱারোইশিনশিং অদু ফঙনবা ইন্নোভেসনগী শক্তি অদু ঐখোয়না শিজিন্নবা তাবনি।

প্রসিদেন্ট কোবীন্দনা ফেষ্টিবেল ওফ ইন্নোভেসন এন্দ ওন্ট্রপ্রেনরসিপ (এফ আই এন ই)গী হৌদোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংখি। দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (দি এস টি) অমসুং নেসনেল ইন্নোভেসন ফাউন্দেসন (এন আই এফ)না শিন্দুনা পাংথোকপা থৌরম অদুদা মহাক্না নেসনেল গ্রাসরুটস ইন্নোভেসন্স এৱার্দশিংসু লান্থোকখি।

ঐখোয়না ইন্নোভেটিদ কলচর অমা শাগৎনবা থবক পূন্নমক তৌগদবনি অমসুং ইন্নোভেটিব সোসাইটি অমা ওইহল্লক্কদবনি। মুন্না খল্লবদি সোসাইটি অমা ওইনা অমসুং নেসন অমা ওইনা ঐখোয়গী পান্দমশিং থুংনবা হোৎনবদা ইন্নোভেসন কলচরনা ঐখোয়বু তেঙবাংবা খূৎলাই অমা ওইগনি হায়না প্রসিদেন্টনা হায়খি।

২০০০দা নেসনেল ইন্নোভেসন ফাউন্দেসন (এন আই এফ) লিংখৎখিবা মতূংদগী গ্রাসরুতস টেক্নোলোজিকেল ইন্নোভেসনশিং হেনগৎহনবদা অমসুং শিঙথানিঙাই ওইবা ট্রেদিস্নেল নোলেজ পুরকপদা মসিনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরকখি হায়না ফোঙদোক্লদুনা প্রেসিদেন্টনা এন আই এফপু থাগৎখি। থৌরমদুদা এৱার্দশিং পীখিবা গ্রাসরুটস এন্নোভেটরশিংগী থবকশিং অদুবুসু মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# এল সি এ–তেজাজ স্কৱাড্রোন পাকিস্থান ঙমখে মনাক্কী এয়ারবেজদা থন্নবা থৌরাং তৌরগনি ঃ এয়ার চীফ

***চেন্নাই, মার্চ ১৫ঃ***

হন্দক পুলৱামা টেরর এটেক খূৎ হন্দুনা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সনা পাকিস্থানগী বলাকোটতা লৈবা টেরর ট্রেনিং কেম্পতা এটেক চখখিবা অদুগী মতূংদা লৈবাক অনীগী এয়ারফোর্সশিং মুক্নখিবা অদুদা হেন্না এদভান্স ওইরবা পাকিস্থানগী এফ–১৬শিং অদুগী ময়োক্তা মিগ–২১ বিসোনশিং শিজিন্নখিবগীদমক য়ানীংদবা কয়া ফোঙদোক্নখ্রবা তূংদা পাকিস্থানগী ময়োক্তা ইন্দিয়াগী এল সি এ–তেজাস ফাইটর জেট করিগী শিজিন্নখিদবনো হায়না এয়ার চীফ মার্শেল বি এস ধানোৱাদা ৱাহং হংলকখ্রে।

মদুগী পাউখুমদা ধনোৱানা শেঙদোক্লদুনা হায়খি, ২শুবা এল সি এ তেজাস স্কৱাড্রোনগী ফাউন্দেসন অদু শেম্বা হেক লোয়বগা অহানবা স্কৱাড্রোন অদু পাকিস্থানগী ঙমখেগা নক্লবা ফোরৱার্দ বেজদা ২০২০গী অদুৱাইদা হোংজিনগনি।



অহানবা স্কৱাড্রোন–ফ্লাইং দেগ্গরস নম্বর ৪৫ হৌজিক হৌজিক, মখোয়দা পীরকখিবা এল সি এ–তেজাস এয়ারক্রাফকী শিজিন্নবা তম্বগী পাইবগী থবক তৌরি অমসুং হায়রিবা মওং অসিনা ঐস এ এলগী মতেঙগা লোয়নানা রুটিন মেন্টেনেন্স পাংথোক্লবা মসিগী ইঞ্জিনিয়ারিং ক্রুসু ট্রেনিং তৌরি হায়খি।

তামিল নাদুগী সুলুর এয়ার ফোর্স ষ্টেসনদা লৈরিবা নম্বর ৪৫ স্কৱাড্রোন ইন্দিয়ান এয়ার ফোর্স (ফ্লাইং দেগ্গরস) অসি হৌজিক মপূং ফাবা স্কৱাড্রোনগী মশীং অদু য়ৌদ্রি। মসি চহী অসিগী লোয়শিলকপদা ঙম্লবা য়াই।

ওক্টোবরদগী হৌরগা এফ ও সি সর্টিফাই এল সি এ তেজাজ এম কে ১ এয়ারক্রাফশিংগী অনৌবা বেজ অমা থুংলবা হৌবগা ২শুবা স্কৱাড্রোন শেমগৎপা হৌগনি।

এল সি এ তেজাজকী এফ ও সি সার্টিফিকেট খূৎশিন্নবগী হৌখিবা থাদা পাংথোকপা থৌরমদা এয়ার চীফ মার্শেল ধনৱানা হায়খি, এল সি এ তেজাজনা ফাইটর এয়ারক্রাফ অমগা মান্নে অমসুং ফাইটর অমা ওইনা থবক তৌই।

আইরন ফিষ্ট এয়ার এক্সরসাইজদা হন্দক্তা উৎখিবা অদুগুন্না এয়ারক্রাফ অসিগী তৌবা–ঙম্বা শক্তিশিংদা এয়ার ফোর্সনা মপূং ফানা থাজবা লৈ। হৌজিক তেজাজগী অহানবা স্কৱাড্রোন অসিনা চাং নাইনা ওপরেটিং কন্দিসনশিংদা পাইরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# মীখলগী তূংদা পাকিস্থাননা ইন্দিয়াগা হেন্না ফবা মরী লৈনরক্কনি ঃ পি এম ইমরান খান



***ইস্লামাবাদ, মার্চ ১৫ঃ***

লাক্লিবা জেনরেল ইলেক্সন অসি লোয়রবা মতূংদা পাকিস্থাননা ইন্দিয়া য়াওনা মখোয়গী য়ূমলোন্নবা লৈবাকশিংগা হেন্না ফবা মরী লৈনরক্কনি হায়না ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা হায়খ্রে অমসুং শান্তি অমসুং চাওখৎপগী অনৌবা লম্বী অদুগী মতাংদা ইস্লামাবাদনা অহানবা খোঙথাং অদু থাংখ্রে হায়না ফোঙদোখ্রে।

হন্দক ইন্দিয়াগী পুলৱামাদা পাকিস্থানদা লৈবা জে ই এম টেরর গ্রুপকী এটেক অদুগী মতূংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্থানগী মরক্তা ৱাংনা উংখৎনখিবনি।

মফম অসিদা পাংথোকপা থৌরম অমদা ভিসা রিফোর্মশিং লাওথোকখিবা ইমরান খাননা হায়খি, শান্তি অমসুং চাওখৎপগী অনৌবা লম্বী অমগী অহানবা খোঙথাং অদু পাকিস্থাননা থাংখ্রে হায়বসি লৈবাক অসিনা ঙসি থাজে। মখোয়গী মীখলশিং লোয়রবগী তূংদা ইন্দিয়া য়াওনা পাকিস্থানগী য়ূমলোন্নবশিংগা পাকিস্থানগা হেন্না ফবা মরীশিং লৈনরক্কনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী য়ূমলোন্নবা পূন্নমক্না অফবা মরী লৈনৈ অমসুং শান্তি ওইবা পাকিস্থান অমা হায়বসি চাওখৎপা নুংঙাইয়াইফবা পাকিস্থান অমা ওইগনি হায়না টুরিষ্টশিং অমসুং ইনভেষ্টরশিংগী পূক্নিং চীংশিন্নবা ওন লাইন ভিসা ইসুয়েন্স ফেসিলিটি য়াওনা মরুওইবা ভিসা রিফোর্মশিং মহাক্না লাওথোক্লদুনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, পাকিস্থাননা মালেমগী মফম পূন্নমক্তগী রিলিজিয়স টুরিজম চীংশিনগনি। তক্সিলানা বুধিজমগী সেন্টরনি। মলেম পূন্নমক্তা লোয়ননা ঐখোয়না পূন্না লৈমিন্নগদৌরিবা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা অতুম্বা বুধ –ফুট ৪০ ৱাংবা বুধ অমা ঐখোয়না দিস্কোভর তৌখ্রে।

ননকানা সাহীব অমসুং করতারপুর গুম্বা সিখশিংগী খ্বাইদগী অশেংবা মফমশিংসু পাকিস্থানদা লৈ। কতাজ রাজ য়াওনা হিন্দুইজমগী য়ান্না লিরবা মফমশিংসু পাকিস্থানদা লৈ হায়না মহাক্না হায়খি।

পাকিস্থান সুপরলিগকী মথঙগী সিজন অদু দুবাইদা পাংথোকপগী মহুত্তা পাকিস্থানদা শিল্লগনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর খান্না লাওথোকখি।

ই–ভিসা ফেসিলিটি অদু অহানবদা টরকি, চিনা, মলেসিয়া, য়ু কে অমসুং য়ু এ ইগী নেসনেল শিংদা ফঙহনগনি অমসুং কোন্না অতে লৈবাক ১৭০দা ফঙহলক্কনি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা হায়খি।

ব্যজিনেস ভিসাশিং লৈবাক ৭০দা পীগনি। লৈবাক ৩৫দা ভিসা –ওন–এরাইবেল পীগনি হায়খি।

# মাসুদ অঝার অথিংবা থন্নবা খোঙথাং চিনানা থৎখ্রে, পাকিস্থানদা লৈরিবা টেরর নেটৱার্কশিংগী শক্তম অমা য়েংশি



***ন্যু দিল্লি , মার্চ ১৫ঃ***

জম্মু এন্দ কাস্মিরদা লৈরিবা লালহৌ অসিদা মতেঙ পাংনবা পাকিস্থাননা চহী কয়ামরুমদগী হৌনা টেরোরিষ্টশিংবু শিজিন্নে হায়বসি অরোনবা নংত্রে। টেরোরিষ্টশিং অদুনা ইন্দিয়াদা এটেকশিং চখরক্লি।

১৯৯৬কী সি আই এ রিপোর্ট অমনা ফঙখিবদা পাকিস্থানগী ইন্টর –সার্ভিসেস ইন্টিলিজেন্স (আই এস আই) এজেন্সিনা মসুদ অঝারবু থা অমদা দোল্লর ৬০,০০০ ফাওবগী চাংদা শেন থাদে হায়বা খঙখি।

ঙরাং শগোলশেন নুমিৎতা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা অঝারবু টেরোরিষ্ট দেজিগনেসন অমা পীনবগী খোঙথাংদা চিনানা অমুক্কা হন্না থিংখি।

জৈইশ–ই–মুহম্মেদ (জে ই এম)গী লূচীংবা মকোক ওইরিবা মসুদ অঝার অসি পাকিস্থাননা শৌগৎপা টেরোরিষ্ট কয়ামরুমগী মনূংদগী শুন্নগী অমখক্তনি।

আই এস আইগী থৌজালগা লোয়ননা পাকিস্থানদগী থবক তৌরক্লিবা মরুওইবা এন্টি–ইন্দিয়া টেরর গ্রুপশিং অদু করি–করিনো হায়বা অমুক্তা য়েংসি। হায়রিবা টেরর আউটফিটশিং অদুগী চপ মান্নবা পান্দম অমখক্তি জম্মু এন্দ কাস্মিরবু মনীংতমহনবা অমসুং মদু পাকিস্থানগা পূশিনবা অসিনি। মখোয় অসিগী মনূংদগী খরদি অফগানিস্থানদা সোভিয়েটশিং চংশিদুনা লৈরকখিবা অদু থেঙননবগীদমক লিঙখৎখিবনি অমসুং মমমৈথংদা মখোয়না পাকিস্থানগী আই এস আইগী লমজিং মখাদা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা পূক্নিং চংশিলকখিবনি।

আই এস আইনা টেরোরিষ্ট গ্রুপ খরা লিঙখৎপদা মতেঙ পাংবখক নত্তনা মখোয়গী থবকশিং পাংথোক্লবগী শেন থাদে। ফাইটরশিং ট্রেনিং তৌই। লোজিষ্টিকেল সপোর্টপী।

হুজি (হরকট–উল–জিহাদি অল– ইস্লাম) অসি ১৯৮৪দা পাকিস্থানদা লিঙখৎখি অমসুং জম্মু এন্দ কাস্মিরবু তংদু–লৈতাহন্দনবা আই এস আইদগী শৌগৎপা ফঙখি। মসি য়ু এস অমসুং ইন্দিয়ানা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসন ওইনা অথিঙবা থমখ্রে।

হুম (হরকত–উল মুজাহিদীন) অসি হুজিদগী ১৯৮৫তা মচেৎ তারকখিবনি ২০০৩দা মতম খরখক জমিয়াত–উল–অনসার হায়না ওথোরিটিজনা খঙদনবা মমিং হোংদোক্লুরে। ২০১৫দা ইন্দিয়ানা অথিঙবা থমখি।

১৯৯৩দা হুজি অমসুং হুম পূশিন্নরগা হু এ শেমখি। ১৯৯৩–১৯৯৪দা মাসুদ অঝার য়াওনা লূচীংবা কয়া ফাখি।

জে ই এন (জৈইশ –ই –মুহম্মেদ) অসি ইন্দিয়ান এয়ারলাইন্সকী হোষ্টেজশিংগা মহুৎ শিন্নদুনা মসুদ অঝার ২০০০দা জেলদগী থাদোকখি অমসুং জে ই এম লিংখৎখি। মসি হৌজিক ইন্দিয়া, পাকিস্থান, য়ু এস অমসুং য়ু এননা অথিঙবা থমখ্রে।

ঐস এম (হিজবুল মুজাহীদীন) অসি ১৮৯৯দা আই এস আইগী লমজিং মখাদা জমিয়াট–ইস্লামিক কৌবা ইস্লামিষ্ট ওর্গনাইজেসনগী মিলিটেন্ট ৱিং ওইনা শেমখিবনি। মসিগী লূচীংবনা সায়েদ শল্লাহউদ্দিননি।

১৯৯৪দা সয়েদ শল্লাহউদ্দিননা লূচীংদুনা জম্মু এন্দ কাস্মির লিবরেট তৌনবগী অমত্তা ওইবা পান্দমগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ জিহদ কাউন্সিল কৌবা টেরোরিষ্ট গ্রুপশিংগী এন্টি – ইন্দিয়া কোলিসন অমা শেমখি। এল ই টি ঐচ য়ু এম অমসুং এল–বদর য়াওনা মসিদা য়ামদ্রবদা মেম্বর ওইনা টেরোরিষ্ট গ্রুপ ১৩ য়াওরি।

অল বদর হায়রিবসি ঐচ এম বেন্নরগী মখাদা থবক তৌরকখি। অদুবু ১৯৯৮তা মখোয় মরনাই ওইনা চল্লাইনবা আই এস আইনা থৌনা পীরকখিবদগী মতোমতা চল্লাইজখি।

এল ই টি (লাসকর–ই–তাইবা) অসি ১৯৯০দা ইস্লামিষ্ট ওর্গনাইজেসন মরকাজাদ –দৱা–ৱল–ইরসাদকী মিলিটেন্ট ৱিং ওইনা লিংখৎখিবনি। ২০০২দা এল ই টিগী ফ্রন্ট ওর্গনাইজেসন ওইনা জমাদ অথ–উৎ–দৱা লিংখৎখি। মসিনা শোথরবা কাংলূপশিংদা পান্দম থমদুনা মীয়ামদা লেমনা তেঙবাংবগী থবকশিং তৌদুনা পাকিস্থানিশিংগী মরক্তা এল ই টি শৌগৎহল্লকখি।

টেরোরিষ্ট গ্রুপশিং অসিনা ইন্দিয়াদা চখখিবা অচৌবা এটেকশিং খরদি দিসেম্বর ২৪, ১৯১৯দা কাথমান্দুদগী পেসেঞ্জর ১৭৬ পুরকপা ইন্দিয়ান এয়ারলাইন্স ফ্লাইট অদু ঐস য়ু এমনা হায়জেক তৌরগা অফগানিস্থানদা পাইখি অমসুং মাসুদ অঝার য়াওনা মিলিটেন্ট ৩ জেলদগী থাদোকহল্লকখি।

এপ্রিল ১৯, ২০০০দা শ্রীনগর মনাক্তা অর্মি বিল্ডিং মনাক্তা জে ই এমনা ইন্দিয়াদা অহানবা সুইসাইদ কার বোম এটেক চখখি। দিসেম্বর ১৩ , ২০০১দা জে ই এম টেরোরিষ্টশিংনা দিল্লিদা পার্লিয়ামেন্টতা এটেক তৌখি । মীওই ১৭ হাৎখি, ২০ হেন্না শোকখি।

ওক্টোবর ২৯,২০০৫তা এল ই টিনা দিল্লিগী মার্কেটশিংদা বোম এটেক ৩ তৌদুনা মীওই ৬৩ হাৎখি। য়ামদ্রবদা ২০০ শোকখি। জুলাই ১১, ২০০৬তা এল ই টিনা মুম্বাই কম্প্যুটর ট্রেনশিংদা প্রেসরকুকর বোম ৭ পোকখাইহনখি। মীওই ১৯০ শিখি, ৮০০ শোকখি।

নবেম্বর ২৬, ২০০৮তা এল ই টিনা হোটেল অমা, পোপুলর রেষ্টুরেন অমা অমসুং জিয়ুশিংগী সেন্টর অমদা পান্দম থমদুনা মুম্বাইদা অমগা অমগা মরীলৈনবা এটেক অমা চখখি। য়ামদ্রবা মীওই ১৮০ শিখি, ৩০০ শোকখি।

সেপ্টেম্বর ৭, ২০১১দা ২০০১ পার্লিয়ামেন্ট এটেক কেসতা মুহমদ অফজল গুরুবু শিবগী চৈরাক পীবগী লম্মন খুম্বা ওইনা দেল্লি হায় কোর্টতা হুজিনা ব্রিফকেস বোম অমা পোকখাইহল্লকখি।

সেপ্টেম্বর ১৮, ২০১৬দা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরিংগী উরিদা ইন্দিয়ান আর্মি পোষ্ট অমদা জে ই এম টেরোরিষ্ট ৪না এটেক তৌখি। মদুদা টেরোরিষ্ট পূন্নমক অমসুং লান্মী ১৯ শিখি । ফেব্রুৱারি ১৪, ২০১৯দা জে ই এম সুইসাইদ এটেকর অমনা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামাদা সি আর পি এফ বস অমদা এক্সপ্লোসিব থন্না হাপ্লবা কার অমা থৌজিন্দুনা সি আর পি এফ জৱা ৪০ হেন্না হাৎখি।

# এলায়েন্সশিং করম্না শীনগনি হায়বদু কোংগ্রেস পার্টিনা বি জে পিদগী তমজগদবনি ঃ অখিলেশ যাদব



***লখনৌ মার্চ ১৫ঃ***

নেসনেল ইলেক্সন পাংথোক্কদবা হয়েঙদা ঙাইশিলক্কবদা সমাজৱাদি পার্টি চীফ অখিলেশ যাদবনা কোংগ্রেসকীদমক পাউতাক খরা পীরি অমসুং অকা–অকুম ফন–য়ান্না লৈদুনসু মখোয়গী এলায়শিং লেঙদনা থল্লিবা বি জে পিদগী পরা খরা তম্মু হায়খ্রে।

লৈঙাক্কী শক্তি পায়রক্কবা নখোয়না অতৈ পার্টিশিং ঈকাইখুন্নগদবনি হায়বসি মখোয় (বি জে পি)না খঙই। বি জে পিনা সিট খরা হন্থনা ফঙলবা ফাওবদা এলায়শিং লৌশিল্লি। মখোয়গী মথক্তা মখল কয়াগী শাফু পীরক্তুনসু বি জে পিনা মখোয়বু এলায়শিং ওইনা অদুমক খল্লি হায়না হান্নগী উত্তর প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর অসিনা হায়খি।

ময়াবতি–অখিলেশ যাদব–অজিত সিংহ এলায়েন্স ইছোক্লম্লবা কোংগ্রেস পার্টিনা দিল্লি তন্না চৎনবগী থোংজাও অদুনি খল্লিবা ষ্টেট উত্তর প্রদেশকী পার্লিয়ামেন্টরি সিট ৮০ লোয়নমক কন্টেষ্ট তৌনবা পার্টিগী মপাঙ্গল ফুদোক্তুনা হোৎনরি।

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামা টেরর এটেক অমসুং মদুগী মতাংদগী বি জে পিনা উৎথোক্লক্লিবা অকনবা নেস্নেলিজম অসিগী য়েঙলগা দিল্লি চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল অমসুং বেঙ্গলগী মমতা বেনর্জিগা য়াননবা অমসুং মখোয়গা ষ্টেট–লেবেল এলায়শিং শেন্নবা হৌজিক রাহুল গান্ধীগী মথক্তা তকশিন্নরকখ্রে।

অদুবু হৌজিক ফাওবদা অদুগুম্বা খোঙথাং লৌখৎপা উদ্রি। বেঙ্গলদা কোংগ্রেস পার্টিনা মমতা বেনর্জিগী শাথিনা য়েঙথিনবশিং লেফ ফ্রন্ট কুম্বগা এলায়েন্স অমা তৌনরি। দিল্লিরোমদসু কোংগ্রেস ষ্টেট য়ুনিটনা এ এ পিগা এলায়েন্স তৌনবগী ময়োক্তা য়ানখ্রে।

কোংগ্রেস অচৌবা পার্টি অমনি। মসিনা অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংবু তেঙবাংনবা শোয়দনা হোৎনগদবনি। খুদম ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মখোয়না মমতা বেনর্জিদা মতেং পাংশিনগদবনি। দিল্লিদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা বি জে পিগা থেঙনবা ঙম্মি অমসুং মসিদা মখোয়না এ এ পিদসু শৌগৎকবনি হায়না অখিলেশ যাদবনা হায়খি।

# কোলকাটা এয়ারপোর্টতা খূৎলাই পুরম্বা অমা ফাখ্রে

***কোলকাতা, মার্চ ১৫ঃ***

কোলকাতা এয়ারপোর্টতা পিস্তোল ১ অমসুং মদুগী নোংমৈমরুশিং পুরম্বা চেন্নাইদা পাইগদবা মীওই অমা ফারে হায়না ঙসি সি আই এস এফ ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নেতাজি সুভাস চন্দ্র বোস ইন্টরনেসনেল এয়ার পোর্টতা ঝরখন্দগী বি কে মুন্দা কৌবা অমবু সেক্যুরিটি চেকশিং চখবদা সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিটি ফোর্স (সি আই এস এফ) পার্সোন্নেলনা মহাক্কী হেন্দ বেগ্গেজদা খূৎলাই অমসুং মরু ৭ অদু য়াওরম্বা থেঙনখিবনি। মীওই অদুদগী ২৩ কেলিবর পিষ্টোল ১ অমসুং মরু ৭ ফঙখি।

খূৎলাই অমসুং নোংমৈমরু অদু পুনবগী চৎনবা য়াবা দোকুমেন্টশিং মহাক্না পুথোকপা ঙমদবনা মহাক পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা মখা তাখি।

# নিতিশ কুমারদা চখবা ক্রিমিনেল প্রেসিদিংস ককখ্রে

***পাতনা, মার্চ ১৫ঃ***

চহী ২৪ শুরবা মীহাৎপগী কেস অমদা বিহার চীফ মিনিষ্টর নিতিশ কুমারগী মথক্তা লৱার কোর্ট অমনা চখরকখিবা ক্রিমিনেল প্রেসিদিংশিং অদু ঙসি পাতনা হায় কোর্টনা ককখ্রে।

১৯৯১গী লোক সভা মীখলগী ভোত থাদনবা মতমদা সিতারাম সিংহ কৌবা অমা শিখিবগী মতাংদা মতম অদুদা সামাতা পার্টিগী বারহদগী এম পি ওইরিবা নিতিশ কুমারগী মথক্তা চহীদুগী নম্বের ১৬তা এফ আই আর ১ থাংগৎলকখিবনি অমসুং বারহগী এদিসনেল চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেটনা মহাক্কী মথক্তা চখরকখিবা ক্রিমিনেল প্রোসিদিংশিং অদু পাতনা হায় কোর্টতা শীংনখিবনি।

জেনুৱারি ৩১দা পেটিসন অদুগী মতাংদা তাবা মহাক্কী ওর্দর রিজার্ব তৌখিবা জষ্টিস অমানুল্লাহনা ঙসি প্রোসিদিংস অদু ককথৎখিবনি।

# নোর্থ কোরিয়ানা গেঙষ্টর মানবা য়ু এসকা ৱারী শান্নবা তোক্লবা য়াই

***সিওল, মার্চ ১৫ঃ***

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনল্ড ট্রম্পকা নোর্থ কোরিয়া লূচীংবা কিম জোং উনগা হানোইদা হৌখিবা থাগী সম্মিট মপূং ফাখিদবা অদু মকোক থোঙবা য়ু এস ওফিসিয়েলশিংননি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর চো সোন হুইনা হায়খ্রে।


মদুগুম্বা য়ু এস দিমান্দশিং মওং অমত্তদা পীনবা ঐখোয়গী অনীংবা লৈতে হায়না মহাক্না হায়খি। সম্মিট অদুদা গোল্ডন ওপোর্চুনিটি অমা ৱাসিংটননা মাঙহল্লে। য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টট মাইক পোম্পীও অমসুং নেসনেল সেক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোলটোননা য়েংথিবা অমসুং থাজদবগী ফিভম শাগৎখিবদগী ৱারী শান্নবদু কায়খিবনি হায়রি।

# মীখল মমাঙদা ত্রিপুরা ট্রাইবেল পার্টিশিংদা মীৎয়েং থন্নরকখ্রে

***আগরতলা মার্চ ১৫ঃ***

ষ্টেট অসিদা মতম পূম্বদা য়েলহৌমীশিংনা মীখলদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌবা মরম্না লোক সভা মীখল চয়োল খরদা ঙাইশিলক্কবা মতমসিদা ত্রিপুরাগী ট্রাইবেলদা য়ূমফম ওইবা পার্টিশিংদা অহেনবা মীৎয়েঙ থন্নরকখ্রে।

বি জে পি অমসুং ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি)না সিট য়েন্নবগী ৱারী মখাতানা শান্নরি। ত্রিপুরা ৱেষ্ট অমসুং ত্রিপুর ইষ্ট হায়রিবা ষ্টেট অসিগী লোক সভা সিট অনী অসিগীদমক মখোয় মশাগী ওইবা মীরেপ থাদোকপদা পার্টিশিং অসিনা নীংহন্নরি।



অমরোমদা ইন্দিজেনস নেসনেললিষ্ট পার্টি ওফ ত্রিপুরা (আই এন পি টি) অমসুং অতৈ ট্রাইবেল পার্টি লূচীংবশিংগা দিল্লিদা চয়োলসিগী অঙনবদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী য়াওনা কোংগ্রেসগী সেনিয়ার লিদরশিংগা ৱারোইশিন ফঙদবা ৱারীশিংসু শান্নখ্রে। বি জে পিগী লূচীংবশিং–দিপুটি চীফ মিনিষ্টর জিসনু দেব বর্মা অমসুং এদুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা আই পি এফ টি লূচীংবশিংনা ঙরাং পূং কয়া চুপ্পা ৱারী শান্নখ্রে। অদুবু সিট য়েন্নবগী মতাংদা অদুমক মরম কয়াদগী য়ান্নবা ঙমখিদ্রে।

সনা–সুদোকু –৬৭ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | 9 | 3 | 2 | 6 | 4 | 5 | 7 |
| 3 | 6 | 5 | 4 | 7 | 9 | 2 | 1 | 8 |
| 4 | 7 | 2 | 8 | 5 | 1 | 6 | 9 | 3 |
| 6 | 1 | 8 | 5 | 3 | 2 | 7 | 4 | 9 |
| 7 | 5 | 3 | 1 | 9 | 4 | 8 | 2 | 6 |
| 2 | 9 | 4 | 6 | 8 | 7 | 1 | 3 | 5 |
| 8 | 2 | 7 | 9 | 1 | 3 | 5 | 6 | 4 |
| 5 | 3 | 6 | 2 | 4 | 8 | 9 | 7 | 1 |
| 9 | 4 | 1 | 7 | 6 | 5 | 3 | 8 | 2 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-68**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | | | 8 | 4 | | 3 | | |
| | | 1 | 5 | 3 | | | 8 | |
| | 8 | | | 2 | | 1 | | 5 |
| | 1 | 5 | | | 3 | | 2 | |
| 9 | | | | | 2 | | 3 | |
| 8 | | | 1 | | | | | 9 |
| | | 3 | | | 8 | 2 | | |
| 1 | 9 | | | | | | 7 | |
| 5 | 2 | | | | | | 1 | 8 |

## GAS TODAY

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 10/01/19
Sl. No. : 2860
Valid : 10/01/19
Sl. No. : 2331
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 10/02/19
Valid : 07/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Khumbong Indane**
Booking : 24/01/19
Sl. No. : 400
Valid : 23/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Nongpok Sekmai Indane**
Booking : 20/02/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m.
Delivery Point Charangpat

**Lambodara Indane**
Booking : 13/03/19
Valid : 08/03/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 21/01/19
Valid : 13/01/19
Stk : 612
Time : 07.00 to10.00 a.m.

**Tanglei Gas, Oinam**
Booking : 14/02/19
Valid : 12/02/19
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**G B D Indane, Lamlong**
Booking : 21/01/19
Valid : 09/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Imphal L P G Service**
Booking : 11/03/19
Valid : 15/01/19
Sl. No. : 490
Stk : 306, 19kg -10
Time : From 08.00 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 19/01/19
Valid : 15/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Haran Velley Gas, Kwakta**
Booking : 21/01/19
Valid : 09/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**R & H Gas Service**
Booking : 16/02/19
Valid : 01/02/19
Stk. : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 14/02/19
Valid : 13/02/19
Sl. No. : 20665 to 20745
Time : 07.00 to 08.30 a.m

**J Rongmei Indane**
Booking : 28/01/19
Sl. No. : 32920 to 33240
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Leibaklei Gas, Khongjom**
Booking : 12/01/19
Valid : 01/01/19
Stk. : 306
Time : 08.00 to 11.00 a.m